# জম্মু এন্দ কাশ্মিরগী সেপরেটিষ্ট লিদর য়াসিন মালিক পুন্সি চুপ্পা জেলদা লৈবগী চৈরাক পীখ্রে

ন্যু দিল্লি, মে ২৫ (এজেন্সী):

জম্মু এন্দ কাশ্মিরগী লময়ানবা সেপরেটিষ্ট লিদরশিংগী মনুংদা অমা ওইরিবা য়াসিন মালিক য়ুমশকৈশা নুমিত্তা দিল্লিগী কোর্ট অমনা টেরর ফন্দিং কেস অমগা মরী লৈননা পুন্সি চুপ্পা জেলদা লৈবগী চৈরাক পীখ্রে।

মহাক্কী ক্রাইমশিং অদুগী পান্দমদি ইন্দিয়াবু খ্বাইদগী শাথিবা চৈথেং নঙহনবনি অমসুং জে এন্দ কেবু য়ুনিয়ন ওফ ইন্দিয়াদগী নমদুনা তোঙান্না তাহনবা অসিনি হায়রদুনা দিল্লিগী স্পিসল কোর্টনা মালিকপু চৈরাক অসি পীখিবনি।

এনআইএগী স্পিসল জজ প্রবিন সিংহনা মালিকপু অকনবা এন্টি-টেরর লো-অনলোফুল এক্তিভিটিষ্ট প্রিভেন্সন এক্ট (য়ুএপিএ) অমসুং আইপিসিগী মখাদা তোঙান তোঙানবা ওফেন্সশিংগা মরী লৈননা তোঙান তোঙানবা জেল টার্মশিং পীখি।

এনআইএগী মায়কৈদগী থাঙ্গৎলকখিবা কেপিটেল পনিসমেন্টগী প্লি রিজেক্ট তৌরদুনা স্পিসল জজনা মালিকপু পুন্সি চুপ্পা জেলদা লৈবগী চৈরাক পীখিবনি।



জজনা হায়, মালিকপু কনভিক্ট তৌখিবা ক্রাইমশিং অদু য়াম্না লুবা মখলগী ক্রাইম ঙাক্তনি। ক্রাইমশিং অসি ইন্দিয়াদা খ্বাইদগী শাথীবা চৈথেং পীনবগী অমদি জে এন্দ কেবু য়ুওআইদগী নমদুনা তোঙান্না তাহন্নবগী পান্দমদা চথুখিবনি।

ফোরেন পৱারশিং অমদি দেজিগনেটেদ টেরোরিষ্টশিংগী মতেংগা লোয়ননা চথুখিবা ওইবনা মহাক্কী ক্রাইমশিং হেন্না লুই হায়না লৌদবা য়াদে। মসিদগী অমুক্কা হেন্না লুনা লৌনিংঙাই ওইরিবদি ক্রাইমশিং অদু ইংনা চিক্লা চথুখিবনি হায়বা পোলিটিকেল মুভমেন্টগী মরুমদা পাঙথোকখিবা অসিনি হায়না জজনা মখা তানা ফোঙদোকখি।

ক্রাইমশিং অদু লৌতুনবগী মওংদা পাঙথোকখিবনি হায়নসু জজনা ফোঙদোকখি। মীওই অসিনা মীয়াম্বু ইরাং হৌহন্দুনা গভর্নমেন্ট মেছিন্নরি ফাওবা ফেল ওইহনখি হায়নসু জজনা ওবজার্ব তৌখি।

কোর্টনা জেকেএলএফকী লুচিংবা অসিবু আইপিসিগী সেক্সন ১২১ (ইন্দিয়া গভর্নমেন্টগী মায়োক্তা লান হৌবা) অমসুং য়ুএপিএগী সেক্সন ১৭ (টেরোরিষ্ট এক্টকীদমক ফন্দ খোম্বা) গী মখাদা ওফেন্স অনীগা মরী লৈননা পুন্সি চুপ্পা জেলদা লৈবগী চৈরাক পীখি।

হিয়ারিং মনুংদা মালিক্না মহাক কুমজা ১৯৯৪ দা হাৎন শুনবগী থবকশিং থাদোকখ্রবনি হায়না ফোঙদোকখি।

মালিক্কী সবমিসন পল্লদুনা কোর্টনা হায়খি, মদুদি কুমজা ১৯৯৪ দা সিজ ফায়র চৎনখিবদগী মালিক্না মহাক মহাত্মা গান্ধীনা হৌদোকখিবা ইংনা চিক্লা অপাম্বা পান্দম ফঙনবা খোঙজং চথুবগী লম্বী অসিদা চৎলে হায়না লাউথোকখি অমসুং মহাক ভাইওলেন্স য়াওদবা পোলিটিকেল ষ্ট্রগল চথুবা হৌখি।

মতমদুদগী পারগা চহী ২৮ গী মতমদা মহাক্না মিলিটেন্ট অমত্তদা লোৎফম পীখিবা নত্ত্রগা টেরোরিষ্ট ওর্গনাইজেসন অমত্তদা লোজিষ্টিক সপোর্ট পীখিবা লৈতে হায়না মালিক্না মখা তানা ফোঙদোকখি।

মালিক্না কোর্টতা মহাক ভিপি সিংহগী মতমদগী অতল বিহারি ভাজপায়িগী মতম ফাওবদা প্রাইম মিনিষ্টর পুম্নমক উন্নখি অমসুং মখোয়না মহাকপু ইনগেষ্ট তৌবগা লোয়ননা মঙোন্দা পোলিটিকেল প্লেটফোর্ম পীখি হায়নসু ফোঙদোকখি।

# লুপা লাক্ষ ১২ গী রিৱার্দ লাউথোকখ্রবা হার্দকোর মাওইষ্ট অনী সরেন্দর তৌখ্রে

নাগপুর, মে ২৫ (এজেন্সী):

নুপী অমা য়াওনা হার্দকোর মাওইষ্ট অনী গাদচিরোলি সুপরিন্টেন্দেন্ট ওফ পুলিস অঙ্কিট গোয়লদা সরেন্দর তৌখ্রে হায়না য়ুমশকৈশ নুমিত্তা ওফিসল অমনা ফোঙদোরক্লি।

শাথিরবা মাওইষ্ট লিদর অনী অসি অপূনবগী ওইনা লুপা লাক্ষ ১২ গী রিৱার্দ লাউথোকখ্রবা হার্দকোর লিদরশিংনি। এসপিদা সরেন্দর তৌখ্রবা মাওইষ্ট অনী অদুদি মশাগী চহী ৩৪ শুরবী সুমন্ট আর মিতানি এলিয়স মাদুরি এলিয়স ভুরি অমসুং মশাগী চহী ৬৩ শুরবা সিতারাম বি অতারাম এলিয়স রামশিংনি।

মাদুরি কুমজা ২০০২ দা মশাগী চহী ১৪ দা ঙাইরিঙৈদা মাওইষ্ট অমা ওইনা রিক্রুট তৌখি অমসুং মহাক কাসন্সুর লোকেল ওর্গনাইজেসন স্কৱাদ (এলওএস) তা লৈখি। ওর্গনাইজেসন অসিদা চহী তরা থবক তৌরবা মতুং মহাক বামরাঘাদ এলওএসতা অমুক জোইন্ট তৌখি।

হৌখিবা চহী তরা অসি মহাক পেরমিলি এরিয়া কন্মিটিগী মেম্বর অমা ওইনা লৈখি। মহাক মী হাৎপগী থৌদোক মরিদা হকথেংননা চেন্নখিবগা লোয়ননা মীশি মীনা য়াওবা খুৎ থোক্লবগী থৌদোক ২১দা হকথেংননা চেন্নখি।




মহাক লমদম অদুগী ৱান্টেদ লাউথোকখ্রবা খ্বাইদগী শাথিবা মাওইষ্টশিংগী মনুংদা অমা ওইখি। রামশিং কুমজা ২০০৫ তা অহেরি এলওএসকী মেম্বর অমা ওইনা রিক্রুট তৌখি অমসুং দিপ্যুটি কম্মান্দরগী ফম য়াওনা মহাক ফম কয়া পায়খি। ইকোন কোনবা ওইনা মহাক বামরাগাদ টেক্নিকেল দালমগী এরিয়া কন্মিটি মেম্বর ওইখি।

মহাক্কী ট্রেক রেকোর্দনা মহাক মীহাৎপগী থৌদোক অমা, খুৎ থোক্লবগী থৌদোক অমা অমদি অতৈ ওফেন্স অমদা চেন্নে হায়বসি উৎলি। মহাক কাসন্সাল্লি, গুন্দুরৱাহি, হিক্কর, অলদান্দি অমসুং আসা-নাইগুদাদা সেক্যুরিটি ফোর্সশিংগা খুৎ থোক্লখিবশিংদা য়াওখি হায়রি।

সরেন্দর তৌবগী মরম ওইনা মাদুরিনা প্রমোসন লৈতবা, অতৈ মাওইষ্টশিং নমদুনা য়ুম্বানহনবা অমদি নুপী মেম্বরশিংবু হন্থনা য়েংবগী ৱাফমশিং পনখি।

# কাপিল সিবাল কংগ্রেস থাদোক্লগা রাজ্য সভাগী নোমিনেসন ফাইল তৌখ্রে

ন্যু দিল্লি, মে ২৫ (এজেন্সী):

কংগ্রেসকী সেনিয়র লিদর অমসুং হান্নগী য়ুনিয়ন মিনিষ্টর কাপিল সিবাল য়ুমশকৈশা নুমিত্তা রাজ্য সভাগী মীখলগীদমক নোমিনেসন ফাইল তৌখ্রে।

সমাজৱাদি পার্টিগী সপোর্টকা লোয়ননা মহাক্লা নোমিনেসন ফাইল তৌখিবনি। কাপিলনা নোমিনেসন ফাইল তৌবা অদুদা সমাজৱাদি পার্টিগী চীফ অখিলেস যাদব অমদি পার্টিগী এমপি রাম গোপাল যাদবসু



শরুক য়াখি। কাপিলনা মহাক মে ১৬ তা কংগ্রেসতগী তোকখি অমসুং ইন্দিপেন্দেন্ট কেন্দিদেট অমা ওইনা নোমিনেসন ফাইল তৌরিবনি হায়নসু ফোঙদোকখি।

নোমিনেসন ফাইল তৌরবা মতুং পাউমীশিংদা ৱা ঙাঙলদুনা সিবালনা হায়খি, মদুদি রাজ্য সভাদা ঐহাক্লা অকনবা খোল্লাউগা লোয়ননা ৱাফম কয়া পুখৎখি। ঐহাক য়ুপিগী কেন্দিদেট অমসু মমাঙদা ওইখি। ওপোজিসনদা লৈরিঙৈদা ঐখোয়না মোদি গভর্নমেন্ট থেংনবা ঙম্বা এল্লাইয়ন্স অমা শেম্বা পাম্মী। কুমজা ২০২৪ দা ঐখোয়না মোদি গভর্নমেন্টগী অশোয়বশিং মীয়ামদা খঙহনগদবা এটমোস্ফিয়র অমা লাকহনবা পাম্মী। মদুমক ঐখোয়না ঙম্নবা হোৎনগনি হায়না সিবালনা মখা তাখি।

সিবালনা লক্ষ্মৌদা অখিলেসকা উন্নখি অমসুং মহাক্লা পার্লিয়ামেন্টগী অপ্পর হাউসকীদমক নোমিনেসন ফাইল তৌবদা এসপিগী চীফ অসিসু লোইনখি। লাক্লিবা জুন ১০ দা অপ্পর হাউসকী সিট ১১গী মীখল পাঙথোক্কদৌরিবনি। মীখল অদু রুল্লিং বিজেপি অমসুং এসপিগী মরক্তা শোক্লবা লান ওইগদৌরিবনি।

পনবা য়াবদি, সুপ্রিম কোর্টতা এসপিগী সেনিয়র লিদর অজম খানগী বেল হিয়ারিংদা সিবালনা এসপিগী লিদর অসিবু রিপ্রজেন্ট তৌখিবনি।

# লৌমী অমা শামুশিংনা নেৎলগা হাৎখ্রে

অমরাবতি, মে ২৫ (এজেন্সী):

অন্ধ্র প্রদেশকী চিতুর দিষ্ট্রিক্টতা য়ুমশকৈশা নুমিত্তা শামু লমশা খরনা নেৎপদা লৌমী অমা শিখ্রে হায়রি।

থৌদোক অদু তামিল নাদু অমসুং কর্নাটকাগা লোন্নবা ফোরেষ্ট এরিয়াদা মীগা শাগগী মরক্তা মুক্লরকপগা মরী লৈনবা খ্বাইদগী নৌবা মী শিবা য়াওবা থৌদোক্লি।

সুব্রমানিয়ম কৌবা লৌমী অদু য়ুমশকৈশ নুমিৎকী অয়ুক অঙনবদা ইন্দিরা নগর এরিয়াদা লৈবা মহাক্কী লৌবুক্তা শামুশিং অদুনা এটেক্ট তৌখিবনি। লৌমী অদু মফম অদুদা শিখি।



থৌদোক অদুগী মায়োক্তা খুঞ্জাশিংনা প্রোটেষ্ট চথুখি। মফম অদুদা শামুশিং চঙশিল্লক্তুনা ওৎ নৈবনচিংবা চথুরক্লবসু ফোরেষ্ট দিপার্টমেন্টনা লৌখৎফম থোকপা এক্সন অমত্তা লৌখৎখিদে হায়না মখোয়না মরাল শীখি।

প্রোটেষ্টরশিংনা হায়ৱেদা ফমজিনবদগী ট্রাফিক জাম থোকখি। মখোয়না পাল্লিবদি দিষ্ট্রিক্ট কলেক্টরনা মফম অদুদা লাক্লগা মখোয়দা অসিগুম্বা থৌদোকশিং মতুংদা থোকহল্লোই হায়না থাজবা পীবা অদুনি। অদুম ওইনমক সেনিয়র পুলিস ওফিসলশিংনা থেম্বদগী মখোয় মফম অদু থাদোকখি।

খুঞ্জাশিংনা ফোঙদোকখিবদা হৌখিবা থা খরা অসিদা তামিল নাদু অমসুং কর্নাটকাগী ফোরেষ্টশিংদগী শামু ১৫০ অন্ধ্র প্রদেশতা চঙলকখিবা ওইরবসু শাশিং অদুনা চথুরকখিবা অমাঙ অতা থোকহনবগী থৌওংশিং অদুবু লাকশিন্নবা মরী লৈনবা ওথোরিটিশিংনা লৌখৎফম থোকপা খোঙথাং অমত্তা লৌখৎপীখিদে।

শামুশিংনা মখোয়গী মহৈ মরোংশিং মাঙহনবদা নত্তনা মখোয়বু এটেক্ট তৌই অমসুং হাৎলি হায়না লৌমীশিং অদুনা ফোঙদোকখি।


## CHAHIGI DASHA YENGJARI



Apaiba dasha, Yeknaba, Lainatinna, Thabak-Karbar, Mahei-Mashin, Awangba Pariksha, Shel-Thum Putthaba, Yum-Ingkhol, Lou, Yumbal, Nupi-Angang, Macha Yaodaba, Haina-Tannaba Indaba, Nishada Laichuba, Paknaba Gari, Lucky Stone nachingba, Khubak Mayi amadi Kuthidagi Kupthana Yengjari. Lakpa Ngamdabasingi Online dasu yengjari.

Contact : **JM Dr Ph Rajendra (International Renown Astrologer)**
Nongmeibung Wangkheirakpam Leikai
Imphal East, # 9077188456

HL-B/7640/13/5-10/6 (alt)


## GOVERNMENT OF MANIPUR
## OFFICE OF THE DEPUTY REGISTRAR OF SOCIETIES, IMPHAL EAST

### NOTICE FOR OBJECTION

Dated, the 20-05-2022

**No.1/prop/SR/2021(IE):** It is hereby notified for general information, that an application has been received by this office from the **Chanung Nongpok Ningthou Lai Committee** on 20/05/2022 for registration under Section 4(1)(2) & Section 5 of Manipur Societies Registration Act, 1989 and Rule 5 of MSR Rules, 2004 within the area of operation of Whole Chanung Village P.O. Chingmang, P.S. Sagolmang, Imphal East District.

In the matter, Notice for objection is circulated/notified for information of general public/registered Assn. for submitting/inviting objection if any in writing (Aadhar of the complainant or Secretary with seal for Assn./NGO/Orgn) to the undersigned against the formation/registration of proposed Assn./Organization/NGO within 15 (fifteen) days from the date of publication.

Complain/objection if not submitted during the mention period, the application for registration in the proposed name of Assn./NGO/Orgn. may be initiated/considered/proceeded for registration as deem fit under Section 7 (1)(2) of SR Act, 1989 and Rules 6 of MSR Rules, 2004.

Any objection receiving by way of postal service/hand post/special messenger after the above mentioned period will not be considered/entertained.

*Sd/-* **S. Mahendra Singh**
Deputy Registrar of Societies,
Imphal East District.

HL-P/2809/26

## MANIPUR UNIVERSITY CANCHIPUR - IMPHAL

### ADMISSION NOTICE

Dated, the 25th May, 2022

**No. MU/VI/10/2019/Admn.I (Pt.)/269:** It is hereby notified for general information to all concerned that admission to all the Post Graduate programmes offered by the Manipur University for the Academic Session 2022-23 will be based on the CUET-2022 Exam scores. The last date for online submission of Application Form for the said examination through NTA website https://cuet.nta.nic.in/ will be 18/06/2022 (upto 11:50 P.M.).

This is issued with the approval of the competent authority.

**Sd/- Dr. R.K. Joteen Singh**
**Deputy Registrar (Admn.)**

HL-B/7663/26,27

## OFFICE OF THE
## MANIPUR STATE COOPERATIVE UNION: LAMPHELPAT

### NOTIFICATION

Imphal, the 24th May, 2022

No. MSCU/9-VOI-IV/02-03 (Pt): It is hereby informed to all concerned candidates who applied and participated in the written test examination held on 14/05/2022 for the posts of Lower Division Clerk (LDC)/OA that Computer Typing Test will be held on 2nd June, 2022 at Institute of Cooperative Management (ICM), Imphal, Lamphelpat at 11.00 am onwards (2 slot/batch).

All concerned are requested to report at 10.30 a.m. to the Institute of Cooperative Management (ICM), Imphal, Lamphelpat for appearing the Computer Typing Test and Candidates should bring Admit Card issued by this Office.

No further complain will be entertained if not reported on time.

**Sd/- O.Jiten Singh**
**Chief Executive Officer, MSCU**

HL-P/2815/26


Resonance®
Educating for better tomorrow
Live-video Learning Program (LLP) Centre

* 45 Days Crash Course for NEET 2022
Rescheduled from 23rd May, 2022
* 1 Year Regular Courses for NEET & JEE
* Foundation Courses for Class- XI to XII (NEET & JEE)

Commencement Date 16th May, 2022
ENROLL TODAY!
*6 hours class daily
* Test series from Resonance Kota
*Classes from best faculties from Resonance Kota.
Study Materials from Resonance Kota Rajasthan



PHYSICS FACULTY — Er. Sundaram Kr. B.Tech (CSE), PGPM/MBA. More than 9 years (JEE/NEET) experience Physicist (down to earth) Author/Speaker/Pioneer in Spiritual Psychodynamics Member of International United Educationists Fraternity (IUEF)
BIOLOGY FACULTY — Mr. Vishal Kumar, M.Sc (Life Science). 10 years experience as Biology faculty for NEET
MATHS FACULTY — Mr. Basant Kumar. Faculty member of Aakash Coaching Institute, Muzzafarpur. Over 25 years of experience for JEE
CHEMISTRY FACULTY — Mr. Sujal Baroi. B. Tech, Electrical Engineering. 6 years experience as Chemistry faculty at Resonance, Silliguri

Admission through & Scholarship Test
91-100% score - Free Admission
81 - 90% score - 50% Concession
Office Hours - 10:00 am to 7:00 pm.
Nachom Edu Foundation,
3rd Floor, L.K. & Sons Building, Kwakeithel Thokchom Leikai, Imphal - 795001
For more details
9402979552 / 8794961535

HL-P/2763/20,21,22,23,24,25,26,27,28&29



## URGENT JOB VACANCY

Govt. Regd. No. SSL/64/com Estd of 2016, Manipur

| Sl. No. | Name of the Post | Salary | No. of Posts | Qualification |
|---|---|---|---|---|
| Vacancy at North East India (Male/Female) | | | | |
| 1 | Security Guard (Pune) | Rs. 18000 + EPF | 30 | VIII/X/XII |
| 2 | Ex-Servicefman (Assam) | Rs. 30000 + EPF | 30 | VIII/X/XII |
| 3 | Banking Staff (26 Yrs) | Rs. 14000 above | 15 | Graduate |
| Airport Job Vacancy at Banglore, Hyderbad & Kolkata (Training with 100% Placement) First Come First Chance | | | | |
| 1 | Loader/ Cargo Loader/Cleaner | Rs. 12000 above | 30 | VIII/X/XII |
| 2 | VIP Lounge Staff/ Ground Staff | Rs. 15000 above | 20 | XII / Grad / Master |
| 3 | Commercial CSA Staff/ Attendent | Rs. 15000 above | 20 | Grad / Master |
| Job Vacancy at Imphal (First Come First Chance) | | | | |
| 1 | Office Reception/ Front desk | Rs. 5000 - 20000 | 18 | X / XII / G |
| 2 | VIP Driver / Company Driver | Rs. 6000-15000 | 15 | VIII / X / XII |
| 3 | Security Guard (M/F) | Rs. 6000-25000 | 25 | VIII/X/XII |
| 4 | Helper/ Chawkidar | Rs. 4500 - 20000 | 15 | VIII/X/XII |
| 5 | Cook / Waiter | Rs. 4500-20000 | 20 | VIII/X/XII |
| 6 | Delivery Service | Rs. 8000 | 5 | XII/ Graduate |
| 7 | Juice Selling Workers | Rs 5000 | 20 | VIII/X/XII |
| 8 | Ex- Service Men | Rs. 8000- 15000 + EPF | 10 | VIII/X/XII |
| 9 | Supervisor / Trainer | Rs. 8000 – 20000 +EPF | 10 | VIII/X/XII |
| 10 | Official Managerial Staff | Rs. 5000- 8000 | 20 | X / XII |

Last Date of Submission : 28/05/2022
Offcie Timing : 10:30 am to 3:00 pm
Date of Interview : 30/05/2022
For More Information Please Contact # 7641836503 / 8794793684

**Salai Unemployment Service Centre**
Sagolband Salam Leikai, Near Luxmi Kitchen, Jiri Parking

HL-P/2667/9,11,15,16,18,23,24,25,26,27


## DECLARATION

**The 25th Day of May,2022**

I have undersigned to declare that I am the owner of my homestead land being Patta No.76 Angs (Old) and No.827/1058(New) Covered under CS Dag.No.1063/1281 measuring an area of .075 acre, situated at 58-Thongju Village, Imphal East District,Manipur. The said homestead land has been mortgaged to State Bank of India (SBI),Secretariate Branch,Imphal, Branch Code No.004562 on account of loan taken from the bank.There has no any objection against my land since the purchased of the land till date. The Original Title Deed and Jamabandi(Patta) were laminated for safety and long lasting purpose only. No any other intention to laminate the original documents mentioned above.

*Sd/-* **Khongbantabam Maipak Singh**
S/O.Late Kh. Manao Singh
Thongju Part-2 Pechu Lampak ,PO. Canchipur,PS.Singjamei
Imphal East District, Manipur

HL-P/2589/26

## OFFICE OF THE
## MANIPUR FOOD AND MEDICINAL PLANTS PROCESSING AND COLD STORAGE CO-OPERATIVE SOCIETY LTD.,

Ref. No. 3/MFMP/BD/21 Dated 24-5-2022

### NOTICE

It is hereby informed to all members of society that as per Resolution No. 3 of the Board of Directors' meeting held on 23rd May, 2022 decided to convene a Special General Body Meeting to elect new board of Directors of the Society on 19th July, 2022.

We published the eligible members list on 24th May, 2022. So, any member who want for objection/complain may on or before 3rd June 2022 during the office hour that the final eligible member list will be publish on 4th June, 2022.

Sd/- **G. Rajenkumar Rongmei,**
Managing Director
Manipur Food & Medicinal Plants
Processing & Cold Storage C.S. ltd.,

HL-P/2810/26


Regd. No. KRL/497/(I.E) of 2018 (I/W)

# SANGAI TUTORIAL

Kwakeithel near Imphal College, Imphal
ADMISSION OPEN

FOUNDATION COURSE for
CLASS-X BOSEM 2nd Batch
CLASS-XII Sc. COHSEM

Class Commencing on: 19th May, 2022

OUR POSITION HOLDERS of HSLC EXAM 2020
Class Timing: 4:00pm-7:30pm



3rd POSITION BOBOSANA
4th POSITION RANJAN
6th POSITION JESSICA
8th POSITION THOIHENBA
9th POSITION YAIPHABA
12th POSITION RABINDRA
14th POSITION REONA
20th POSITION MANGAL
22nd POSITION ARJUN
90 % NGAITHOIBA

Hostel available for Boys & Girls, Van Services
# 841385751 & 9862712287

HL-P/2400/1 (27/4 to 28/5)